# দার্ক মেট্টরদা নৌনা থিজিল্লকপা

- অধিকারীময়ূম গিতচন্দ্র শর্ম্মা-

দার্ক মেট্টরগী মতাংদা অনৌবা ৱাফম কয়া সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিন্দুনা পুথোকপা হন্দক মরক অসিদা হেঙ্গৎলক্লি। পাক চাওখ্রবা মপান নাইদে হায়না লৌনরিবা য়ুনিভর্স অসিদা লৈরিবা পোৎশকশিংগী অপূনবগী চাং চাদা মরিফুমঙাদগী মরিফুতরা ফাওবদি ঐখোয় তাইবঙ মীওইবগী মীৎ অমদি মীওইবনা পুথোকপা সাইন্সকী খূৎশু খূৎলায়গী মতেংনা উবা ফংদে। অসিগুম্বা উবদি ফংদবা লৈ হায়বদি খঙবা পোৎশকশিং অসি হৌজিক দার্ক মেট্টরগী কাঙলূপ্তা চন্দুনা নৈনরি, থিজিল্লি। দার্ক মেট্টরশিং অসিদা য়াওরিবা মচাকশিং অসি করি করিনো অমদি য়ুনিভর্সকী ঙল্লিঙৈ মতমদা মখোয়শিং অসি কমদৌনা শেল্লকখিবনো হায়বদি চপ চানা হৌজিকমক্কীদি হায়বা ঙমজদ্রগসু সাইন্টিষ্টশিংনা হীরম অসিদা থিজিনবগী থবক্তি লেপ্তে অমদি হীরম অসি য়াম্না কূপ্না থিজিনবা হৌরক্লিবা এরিয়া অমসু ওইরক্লি।

পনবা য়াবদি, থৱান্মীচাকশিংগী অপূনবা কাঙলূপ ওইরিবা গেলেক্সিদা য়াওরিবা থৱান্মীচাকশিং গ্রেভিটেসনগী মতেংনা ফাজিন্দুনা থম্মী অমদি গেলেক্সিগী মনুং চন্না গ্যাস, উফুল অমদি দার্ক মেট্টরশিংসু য়াওরি। গেলেক্সিগী মনুং থংবা শরুক্তা উঙবগী চাংগা মপান থংবা শরুক্তা উঙবগী চাংগা য়েংনবদা মপান থংবা শরুক্না হেন্না কন্না উংবনা দার্ক মেট্টরশিং অসি তোঙান তোঙান্না লৈরমগনি হায়বসি সাইন্টিষ্টশিংগী থাজবা অমনি। অমরোমদা গেলেক্সিশিংগী মপান থংবা শরুক্তা উঙবগী চাং য়াম্না ৱাংবা অমদি অসিগুম্বা উঙবগী চাং য়াম্না ৱাংবা ফীভম অমদা ইচম চম্বা ওর্দিনারি ওইবা পোৎশকশিংগী হোংলক্লিবা মওং মতৌশিং অদু য়েংবদদি ফীভম অসিদা গেলেক্সিশিং অসি মচেৎ মচেৎ শরুক কয়া থোক্না পাইথোকখিবা নৎত্রগা নাম্থোক্নখিবা য়াই। অদুবু লাইবক ফবদগী হায়রিবা অসিমক্তি থোকপা থেংনদ্রি। মরম অসিনা মখোয়শিং অসিবু পুনশিন্দুনা নৎত্রগা নাম্থোক্নখিদনবা থম্বা ঙম্বা শকউদবা পোৎশকশিং শোয়দনা লৈরমগনি হায়বসি সাইন্টিষ্টশিংগী অচেৎপা থাজবনি। মতাং অসিদনি দার্ক মেট্টরশিংগী মরু ওইবা হেনগৎলক্লিবা অসি। দার্ক মেট্টরশিং অসি গেলেক্সি ময়ামগী অপূনবা গ্লষ্টর ওফ গেলেক্সিস হায়না খঙনবা কাঙলূপ অসিদসু নাকোইননা থিজিন খোৎচিনবসু তৌরি।

য়ুনিভর্স অসিদা দার্ক মেট্টরশিং লৈ অমদি মখোয়শিং অসিনা পোৎশকশিংগী মশক মওং লেপ্পদসু মরু ওইরি হায়বা ৱাফম অসিদা চেৎনা থাজে হায়না ফ্রান্সকী Annecy-levieus Laboratory of Theoretical Physics কী থিজিল্লিবা Physicist, Genevieve, Belanger না হায়রি। অমরোমদা দার্ক মেট্টরশিং মচা খায়না শুগাইনা তাক্লনবা হোৎনবদা মোদেল কয়ামরুম শীজিন্নে। হায়রিবা মোদেলশিংগী মশীং অসি zillion কয়ামরুম ওইবা য়াই হায়না নোর্ৱেগী য়ুনিভর্সিটি ওফ ওসলোগী ফিজিসিষ্ট, Torsten Bringmann না হন্দক্তা নৌনা Physical Review Letters হায়না জর্নেলদা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা পল্লিবদি হৌজিক্তগী চহী কুনরোমগী মমাঙদদি দার্ক মেট্টরশিং অসি য়াম্না হায়পোথেটিকেল ওইবা অমদি নিংথিজনা ওবজার্ভ তৌদুনা থিজিন্দ্রিবা Weakly Interacting Massive Particles শম্না WIMPs নি হায়না লৌনরম্মী। হায়রিবা পোৎশকশিং অসি য়ুনিভর্সকী ফন্দামেন্টেল ফোর্স মরিগী মনুং চল্লিবা ৱিক ফোর্স হায়রিবা অসিগী মতেংনা অমগা অমগা ইন্টরেক্ট তৌনৈ হায়না লৌনরি। তশেংবগীদি গ্রেভিটিগা য়েংনবদা ৱিক ফোর্সনা মপাঙ্গল হেনজরবসু ৱিক ফোর্সতি সবএটোমিক লেভেল খক্তদা মথৌ পাঙথোকপা থেংনরি। য়ুনিভর্সকী ফন্দামেন্টেল ফোর্স মরি অদুদি ষ্ট্রোং ফোর্স, ৱিক ফোর্স, ইলেক্ট্রো-মেগনেটিক ফোর্স অমদি গ্রেভিটেস্নেল ফোর্সনি।

মতাং অসিদা পনবা য়াবদি, য়ুনিভর্সকী ঙল্লিঙৈ মতমদদি হায়রিবা Weakly Interacting Massive Particle শিং অসি শেম্বা অমদি কাইথরকপা থুগাইরকপা মতমদা ফ্রিজ আউট (Freeze out) হায়না খঙনবা থৌওং অমগী মতেংনা ওইবা য়াই হায়না থিজিল্লিবশিংগী মরক্তগী খরনা মোত পীরি। থিওরি অসিগী মতুংইন্না WIMPs শিং অসি ইচম চম্বা ওর্দিনারি মেট্টরশিংগা পূন্না য়ুনিভর্সকী য়াম্না শাবা স্পেসতা লৈমিন্নরমগনি অমদি অসুম্না লৈমিন্নবা অসিনা দার্ক মেট্টর পার্টিকল অনী থেঙ্গাইনদুনা ইচম চম্বা পার্টিকল অনী ওইনা ওন্থোক্লমগনি। মসিদসু নত্তনা ইচম চম্বা পার্টিকল অনীনা থেঙ্গাইনদুনা দার্ক মেট্টর পার্টিকল অনী ওইনা অমুকসু ওন্থোক্লম্বা য়াই। অদুবু য়ুনিভর্সনা হেন্না পাকথোক চাওথোরকপা লোয়ননা ঈংথবগী চাং ৱাংখৎলকপনা হায়রিবা থেঙ্গাই খোৎকাইনবা তৌনবগী ইনর্জি ৱাংলকপনা দার্ক মেট্টরশিং শেম্বগী চাং হন্থরকখি অমদি দার্ক মেট্টরশিং অমগা অমগা থেঙ্গাইনবগী চাংসু জিরোদা হন্থরক্লমগনি। য়ুনিভর্সনা য়াম্না থুনা চাং অমদা পাকথোক চাওথোরকপা অসিনা দার্ক মেট্টরশিং অমগা অমগা থেঙ্গাইনবগী চাং অসি য়াম্না হন্থগনি অমদি কাইনথংদদি হৌজিক হৌজিক য়ুনিভর্সতা লৈরিবা দার্ক মেট্টরশিংগী চাং অসিদা লৈরমগনি হায়না Bringmann না মখা তানা ফোঙদোক্লি।

অমরোমদা Weakly Interacting Massive Particle শিং অসি পার্টিকল কোল্লাইদর অমদি অন্দরগ্রাউন্দ দিটেক্টরশিং শীজিন্নদুনা থিবদি লৈত্রি। অদুবু তশেংনা হেক্তা ফংবদি থেংনদ্রি। মসি হায়দুনা মখোয়শিং অসি লৈতে হায়না হেক্তা লৌবসু য়াদ্রি অমদি হৌজিক মতমগী খূৎশু খূৎলায়শিং অসিনা থিদোকপা ঙমদবা ওইবসু য়ারি হায়না University of Oklahoma গী Physicist, Howard Baer না হায়রি।

অতোপ্পা দার্ক মেট্টর ওইরক্লবগী থৌওং অমদি Freeze in হায়বা অসি ওইবা য়াই হায়না অতোপ্পা থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্ট কাঙবু অমনসু মোত পীরি। মসিগী মতুংইন্না য়ুনিভর্সকী অহৌবা মতমদা দার্ক মেট্টর হায়বগী ৱাখল্লোন অসি য়াম্না তাম্না লৈরমগনি অমদি দার্ক মেট্টর পার্টিকল অমদি ষ্টেন্দার্দ মেট্টর পার্টিকলশিং অসি ৱিক ফোর্সতগী হেন্না মপাঙ্গল হন্থবা হৌজিকমক্কীদি পুথোক্ত্রিবা ফোর্স অমনা কনেক্ট তৌহল্লম্বা য়াই। থিওরি অসিগী মখাদা ষ্টেন্দার্দ মেট্টর পার্টিকলশিং থেঙ্গাইনদুনা দার্ক মেট্টর পার্টিকলশিং শেল্লমগনি। মমৈদদি হৌজিক য়ুনিভর্সতা লৈরিবা দার্ক মেট্টরগী অপূনবা চাং অসিদা য়ৌরবা মতমদা লেঙদনা (ষ্টেবল) ওইনা লৈরমগনি হায়বসিনি।

অদুবু Bringmann অমদি মাগী কাঙবুনা নৌনা পুথোরক্লিবা ৱাফম অসিগী মতুংইন্নদি হান্নদগী হৌনা দার্ক মেট্টরশিং য়াম্না য়ামদবা চাং অমদা অদুমক য়াওজরক্লবনি অমদি ৱিক ফোর্সতগী হেন্না মপাঙ্গল হন্থবা ফোর্স অমগী মতেংনা মখোয়শিং অসি অমগা অমগা থেঙ্গাইনৈ। অদুবু ষ্টেন্দার্দ মেট্টরশিং থেঙ্গাইনদুনা দার্ক মেট্টর শেম্বগী মহুত্তা দার্ক মেট্টর পার্টিকল অমগা অতোপ্পা ষ্টেন্র্দদ মেট্টর পার্টিকল অমগা থেঙ্গাইনদুনা দার্ক মেট্টর পার্টিকল অনী শেম্মী হায়বগী ৱাফম থল্লক্লি। হায়রিবা থৌওং অসিনা তশেংনা চুল্লবদি দার্ক মেট্টরশিংগী মশীং অসি য়াম্নমক হেঙ্গৎলম্বা য়াবগী মওং লৈরি।

হন্দক্কী Bringmann গী কাঙবুগী ৱাফম অসি মখা তানা খরগা হেন্না চাওবা মোদেলদা কূপ্না য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়না Michigan গী Detroit তা লৈবা Wayne State University গী Physicist, Nausheen Shah না হায়রি।

পঞ্জনীংবা অমত্তংদি দার্ক মেট্টরগী মরমদা য়াম্না কন্না থিজিনবা হৌদুনা ৱাফম অসিমক পুথোরকখিবদি California Institute of Technology Astrophysicist ওইরম্বা স্বিস মচা Fritz Zwicky নি। মহাকপু ঙসিদি ফাদর ওফ দার্ক মেট্টর হায়না খঙনরি। দার্ক মেট্টরসি মখা তানা Baryonic অমসুং Non Baryonic হায়নসু অমুক খাইদোক্লি।

অরোইবদা থমজনীংবদি য়ুনিভর্সকী অয়াম্বা শরুক কল্লিবা দার্ক মেট্টরগী মরমদা থিজিন-খোৎচিনবগী থবক অসি য়াম্নমক খুমাঙ চাওশিনগদবা ৱাৎলি অমদি হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা সাইন্টিষ্টশিংনা হেন্না কন্না থিজিন্দুনা অনৌবা ৱাফম কয়া পুথোরক্লগনি হায়না থাজে। ●

# এইদস ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা মুখৎপগী পান্দম ফংনবগীদমক টীনএজরশিং ৱাখল তাহনবা তঙাইফদ্রি

-ডা. খাইদেম অথৌবা -

ঐচ আই ভি/এইদসনা শিহনবগী চাং নেমথরক্লবসু পোজিটিভ ওইরকপগী চাংদি হন্থবা লৈত্রি। মণিপুরদা হৌখিবা চহী খরগী মনুংদা লৈবাক শরা শন্না খঙনখিদ্রবসু তোঙান-তোঙানবা বোর্দিং য়াওনা লৈবা স্কুল খরদা তম্বা চহী ১০দগীনা ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিং ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরম্বগী ৱাথোক লৈখ্রে। চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিং অসিদা মতৌ করম্না ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরম্লিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি। ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংলুরবসু য়ুনিসেফকী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৭ ফাওবগী মনুংদা চাওরাক্না চহী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং ১,২০,০০০ ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা হিংলি। হায়রিবা ফীভম অসিদা ঐখোয়না চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদবদগী অদুম্মক মখা তানা লৈবা তারবদি কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা চাংচৎ ওইনা অঙাং চহীগী ওইনা ৮০/৮০ শিগনি। হৌজিক-হৌজিক ঐখোয়গী মণিপুরগী চীং অমদি তম্পাক্কী লমদা বোর্দিং য়াওনা হাংলিবা স্কুলশিংদা মহৈ তম্নবনি হায়দুনা থল্লিবা স্কুলশিং অসিদা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরম্বা মহৈরোয় কয়া য়াওরম্বা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্না থিগৎনিংঙাই ওইরি। মমা-মপা ওইবশিংনা মচা-মশুশিংবু ফহন্নিংবদগী য়ূমদগী লাপ্না থম্বনা অঙাংশিং অদুনা অরানবা লম্বী চৎলক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইরম্বসু য়াই নৎত্রগা বোর্দিংদা লৈমিন্নরিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক দ্রগ শীজিন্নবা য়াওরকপদগী বোর্দিং অদুবু শেন্নরিবা ওজাশিংবু উহন-খঙহন্দনা লোন্না-থুপ্না দ্রগ কাপ্পদগী ওইরম্বসু য়াই। তম্পাক্কী লম খক্তা নৎতনা চীংগী মফমশিংদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা চহী ১৩দগীনা ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা টীনএজরনি হায়না লৌনরিবা ৱাখল মপূং ফানা ফাথবা ঙমদ্রিবা নহাশিংদা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই নৎত্রবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা শেন্থং কয়া কায়থদুনা কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা ঐচ আই ভি/এইদস মপূং ফানা মাঙহন্নবগী থল্লিবা পান্দম ওইথোকপদা ৱাগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

মালেমগী ওইনা য়েংলুবদা ঐচ আই ভিনা নাবা মীশীং খ্বাইদগী য়াম্বা অহুমশুবা লৈবাক ইন্দিয়ানা ওইরি। মসিগী মনুংদা চাওরাক্না চহী ১৫দগীনা ২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা চাদা ৩৫দি নহাশিংনা ওইরি। মসিগী মরম কয়া অমদি লৈরম্বা য়াই। অদুবু মরুওইবা মরম খরা হায়রগদি লায়না অসিগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙদবা হায়বদি করম্না লায়না অসি মী অমদগী মী অমদা শন্দোকই অমদি লায়না অসি চঙলক্তনবগীদমক করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বা ইনখৎলক্লিবা নহাশিং অয়াম্বনা খঙদবগী মমি চাওনা তারি। লোয়ননা অখঙবা খরা য়াওরবসু ঙাইহাক্কী অনীংবা অপাম্বনা মাংওইনরদুনা লায়না অসি চঙলক্লবা অমদি অতোপ্পা মীওইদা শন্দোক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি।

অথাপ্পা মফমশিংদা ঙসিসু লায়না অসিগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীবা তঙাইফদবা লৈরি। লায়না অসিগী মতাংদা এৱ্যেরনেস চাওনা লৈরে হায়না লৌনরিবা ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ঙসি-ঙসিমকসু ইফোং ফোংনা ময়াই কাবা দ্রগ ফোংনা পূন্না-পূন্না কাপমিন্নবা, মখোয়না শীজিন্নরম্বা সিরিঞ্জশিং মফম অদুদা অদুম্মক হুন্দোক্লম্বগী থৌদোক কয়া অমা ঐখোয় পূম্নমক্না উরি, খঙলি। অদুম্মকপু লাইবক থীবদি থৌওং অসি হন্থখিবগী মহুৎতা হেন্নদুম হেনগৎলকপগী অচৌবা মমি তারি। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা চেকশিন্না শেন্নবা চঙই। মসিগী চপ চাবা খূদম হায়রগদি ঙসি ষ্টেট অসিদা রিহেবিলিটেসন সেন্টর কয়া চেঙ্গুম শৌবগুম্না মফম কয়াদা হাংদোক্নরক্লি। মদুগী চপ চাবা মহয় ফংলব্রা হায়বগী মহুৎতা হায়রিবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া লেপ্তুনা থোক্লি।



রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌজিক মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ঐচ আই ভি/এইদসনা শিরিবা চাংগা নৌনা পোজিটিভ ওইরকপগী চাংগা খেন্নবা লৈতবনা লায়না অসিবু মপূং ফানা কন্ট্রোল তৌবা হায়বসি অরুবা ফীভম অমদা লাক্লি। মালেম পূম্বগী ওইনা ঐচ আই ভিনা নারবা অপূনবা মীশীংগী মনুংদা চাদা ১০দি ইন্দিয়াদা লৈরি। লৈবাক অসিগী তুংগী য়ূম্বীরেলনি হায়না লৌনরিবা ইনখৎলক্লিবা চহী নৌরিবা নহাশিংদা লায়না অসিনা লান্দারকপা হায়বসি মহাম চেল্লবা খুন্নাই অমা ওইরক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইরক্কদৌরি। মরম অদুনা হৌজিক্তগী হৌনা লৈঙাক্না থল্লিবা পান্দমসু ফংবা ঙম্নবগীদমক স্কুল, কোলেজশিংদা ঐচ আই ভি/এইদসকী মতাংদা পাক শন্না তাকপী-তম্বীবগা লোয়ননা মতিক চানা এৱ্যেরনেস পীবগী তঙাইফদবা লৈরি।

কুমজা ২০০৯গী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না চহী ১০দগীনা ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ৱাখল ফাথবা ঙমদ্রিবা নুপামচা ৪৯,০০০ অদুগা নুপীমচা ৪৬,০০০ ইন্দিয়াদা পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। হীরম অসিগী মতাংদা থিগৎলুবদা হায়রিবা চহী নৌরিবা মীওইশিং অসিদা ঐচ আই ভি শন্দোরকপগী মরমশিংগী মনুংদা কম্মর্সিএল সেক্স, কেজ্যুএল সেক্স, সেক্স্যুএল এব্যুজ অমদি দ্রগ কাপ্পনা অচৌবা মরম ওইখি। অসিগুম্বা মরমশিং অসি য়েংলুরগদি হৌজিক-হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা নহাশিংনা চৎনরিবা শাজৎ-লীচৎ অসিদদি অমুক্কা হেন্না মমা-মপা ওইবশিংনা অমদি স্কুল-কোলেজগী ওজাশিংনা লোয়ননা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈরে। লমদম অসিদা থায়নদগী হৌনা লভ মেরিএজগী চৎনবী অমদি নুংশি-নুংঙন থম্নবগী মরী চহী নৌরিঙৈ মতমদা ফাথদনা চখুনরকপনা লায়না অসি শন্দোরক্লবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি। তশেংনা হায়রবদা হৌখিবা চহী খরগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা বোর্দিং য়াওনা লৈবা স্কুল অমগী মহৈরোয় ১০ হেন্না ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরম্বা অদু য়াম্না অকিবগী মশক অমনি। পোজিটিভ ওইখ্রবা মহৈরোয়শিং অদু ঙসি কনা-কনাগা লোয়নরি অমদি করম্বা পূন্সি মহিংদা হিংলি হায়বসি থিগৎপীনবসু লৈতে অমদি মখোয়না কনা-কনাগা মখা তানা লোয়নরমগনি হায়বসু চপ চানা খঙবা ঙমদে। হেন্না লুরিবা ৱাফম অমনা লায়না অসি মীওই অমদা চপ চানা নারে হায়না খঙলকপা অসি চহী ১০গী মনুংদা খঙলকই। হায়রিবা চহী ১০ অসিগী মনুংদা মীওই অদুনা কনা-কনাগা লোয়নরম্মী হায়বা খঙবা ঙমদবা মরম্না মখা তানা লায়না অসি শন্দোরক্তনবা তাকপী-তম্বীবা, এৱ্যেরনেস পীবা অমদি মমা-মপা ওইবশিংনা ইকাই হঙ্গোয়বা থাদোক্তুনা লায়না অসিগী মতাংদা চপ চানা তাকপী-তম্বীবা মথৌ তাই।

কুমজা ২০১৯গী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মালেমগী লৈবাকশিংগী ওইনা য়েংবদা চহী ৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং ১,৫০,০০০ অমদি চহী ১০দগীনা ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং ১,৭০,০০০ অমসুং ৱাখল ফাথবা ঙমদ্রিবা নুপীমচা ১,৩০,০০০ নৌনা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইখি। লোয়ননা মীরোনবী নুপী মিলিয়ন ১.৩না হৌজিক-হৌজিক ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইনা হিংলি। মসিগী মনুংদা লায়না অসিদগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কনি খঙদবা মমা ওইবীশিং য়াওবা মরম্না মখোয়না পোক্লকপা অঙাংশিংদা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইবগী থৌদোকসু মশীং য়াম্না থোক্লি। অসিগুম্বা ফীভমশিং অসিদা মণিপুরগুম্লবা ষ্টেটতদি লায়না অসিগী মতাংদা এৱ্যেরনেস ফনা য়াম্না লৈরে হায়দুনসু ঙসিসু অদুম্মক চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈরি। লমদম অসিদা লৈরিবা এন জি ও অমদি ঐচ আই ভি ষ্টেট পোলিসি ফাওবা শেমদুনা লায়না অসি মপূং ফানা মাঙহন্নবগীদমক পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসি মায় পাক্লবগীদমক ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা ৱাখল তাহনবগী য়াম্নমক মথৌ তাই।

মণিপুরদা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইবা খ্বাইদগী ৱাংবা দিষ্ট্রিক্ট অসি চুড়াচান্দপুরনা ওইরি। হায়রিবা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসি অয়াম্বনা নহা ওইবা মীনা অয়াম্বনি। মখোয়শিং অসি মতৌ করম্না ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরক্লিবনো হায়না মখোয়বু শেন্নরিবা অমদি এ আর টি হীদাক পীজরিবা এক্সপর্টশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মখোয়দা লায়না অসিনা শন্দোক্লিবা অসি পূন্না-পূন্না সিরিঞ্জ অমত্তদগী দ্রগ কাপমিন্নবা অমদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎতনা য়ূম্বানবগী মরী থম্বদগী ওইরকপনি হায়রি। লায়না অসি শন্দোক্লবা অতোপ্পা মরম কয়া অমা লৈরগসু খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবা মরম অনী অসিনা ওইরি। পোজিটিভ ওইরবা চহী নৌরিবা নহাশিং অসিগী মনুংদা অয়াম্বনা লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ওইরি। মরম অদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা হিংনবগী লম্বী য়াৎপীবগী তঙাইফদবা লৈরি।

লমদম অসিদা হৌজিক-হৌজিক হেন্না লাইবক থীরক্লিবদি মতম অমদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক দ্রগ কাপ্পা-চাবগী থবক অসি নুপামচাশিংনা অয়াম্বা তৌরম্মী। অদুবু ঙসিদি নুপীমচাশিংসু হায়রিবা চৎহৈদ্রবা থবক অসিদা চৎপগী চাং তপ্না-তপ্না হেনগৎলক্লি। ইম্ফাল অমদি তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা লৈরিবা অচৌ-অচৌবা হোটেলশিংদা বর্থদে তৌবগী মিংদা দ্রগ শীজিন্নদুনা পূন্না-পূন্না চামিন-থকমিন্নবগী চৎনবী হেনগৎলক্লি। মরম অদুনা লমদম অসিগী চহী নৌরিবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী ঐচ আই ভি/এইদস লায়না মতৌ করম্না মীওই অমদগী মীওই অমদা শন্দোকই অমদি মতৌ করম্না লৌনরকই হায়বগী মতাংদা মতম-মতমগী ওইনা স্কুল-কোলেজশিংদা য়াম্না তোয়না এৱ্যেরনেস পীবগী তঙাইফদবা লৈরি। ঙসি-ঙসিমক লমদম অসিদা মরাল লৈজদ্রবা চহী নৌরিবা অঙাং নুপামচা অমদি নুপীমচা মমা-মপানা মরম ওইদুনা পোজিটিভ ওইদুনা অৱাবা পূন্সি মহিংদা লেনবা কয়া অমসু লৈরি। চাউখৎলকপগী মতুংইন্না মতম অমদা লায়না অসিনা নারবা মীওইনা থেংনরম্বা অৱাবা খূদোংচাদবশিং অদু হৌজিক্তি লৈত্রে। লোয়ননা পূন্সি নুংশাংনা মতম শাংনা হিংবসু ঙম্নরে। তৌবতবু লায়না অসিনা নাদনবদি হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি।

কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা ঐচ আই ভি/এইদস মপূং ফানা মাঙহনসি হায়রগদি অহানবদা চহী নৌরিবা ইনখৎলক্লিবা মীওইশিংদা লায়না অসিগী মতাংদা এৱ্যেরনেস মতিক চানা পীবা, অনীশুবদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক দ্রগ মপূং ফানা থিংবা ঙম্নবা হোৎনবা, চহী নৌরিঙৈ মতমদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতনা য়ূম্বানবগী মরী থমদনবগী পাউতাক মমা-মপা ওইবশিংনা পীবীবা অমদি ঐচ আই ভি/এইদস পোজিটিভ ওইরবা মমা-মপা ওইবশিংদা মখোয়না পোক্লক্কদৌরিবা মচাশিংদা মতৌ করম্না ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইহল্লোইদগে হায়বগী মতাংদা তাকপী-তম্বীবগী য়াম্নমক তঙাইফদবা লৈরি। লায়না অসি মপূং ফানা মাঙহনসি হায়রবদি ঐখোয় পূম্নমক্না লায়না অসিগী মায়োক্তা পূন্না লেপমিন্নদুনা লান্থেংমিন্নবা চঙলি। মতম অদুদা পূম্নমক্না কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা ঐচ আই ভি/এইদস মুখৎনবা থল্লিবা পান্দম অসি ফংবা ঙমগনি। ●


## ꯃꯥꯡꯈꯤꯕ / REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Registration Certificate of Class-XI (Sc) bearing Registration number 3270 of 2020 issued by COHSEM on the way between Khurai Lamlong and Thangal Bazar on 07/03/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Leishungbam Jessica**
# 8416079766

HL-P/1691/10

## ꯄꯥꯝꯕꯩ / নুপী হেল্পর অমা পামজৈ

য়ূমগী থবক ইনখাং অমদি অঙাংনচিংবা শেন্নবা নুপী হেল্পর অমা পামজৈ। মশাগী চহীনা ২২দগী ৫০ ফাওবদা লৈবা, মতম্না অয়ূক্কী পুং ১০ দগীনা নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ওইগনি। অকুপ্পা মরোল মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদগী খঙবীবা য়াগনি।

**# 9958477350**
**or 8837221910**
**Khagempalli Pankha**

HL-P/1685/9,10

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-XI, MANIPUR

**Ref: Mutation Case No. 13/AS&SO XI** **Date 8/3/2022**

Salam Sanjay Singh S/o Late Salam Babu Singh of Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai. -Petitioner

-Vs-

Salam Manibabu Singh S/o Late S. Mani Singh of Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai. -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Imphal, 9/3/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 26-Wangkheirakpam Leikai পাট্টা নং 42/Ang অরিবা 98/'B' অনৌবা, দাগ নং 238/Part এরিয়া 0.045 একর চাওবা ইশ্মোল অসিগী পাট্টাদার নং Salam Manibabu Singh মৃত্যু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইশ্মোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৮/৩/২০২২ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer, XI, Manipur**

HL-P/1858/10

## ꯆꯍꯤꯒꯤ ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / CHAHIGI DASHA YENGJARI



Apaiba dasha, Yeknaba, Lainatinna, Thabak-Karbar, Mahei-Mashin, Awangba Pariksha, Shel-Thum Putthaba, Yum-Ingkhol, Lou, Yumbal, Nupi-Angang, Macha Yaodaba, Haina-Tannaba Indaba, Nishada Laichuba, Paknaba Gari, Lucky Stone nachingba, Khubak Mayi amadi Kuthidagi Kupthana Yengjari. Lakpa Ngamdabasingi Online dasu yengjari.

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra (International Renown Astrologer)**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456

HL-P/1841/6/3-7/4 (alt)

**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/নপ মহি তাবা, নাই তোয়না তাবা, নাতোন ফুনবা, নাতোন্দা শ্বর হোনবদা ৱাবা, নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, লোক তোয়না থুংবা, উফুল মরক্তা চৎপা য়াদবা, হে অমদি অঙীংবা ওইবা পোৎ চাবা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা সাইনসনা য়াম্না কন্না নাদুনা নপ মহি তাবা, নহি তোয়না তাবা, নহি তোয়না তাদুনা কোক ঙাওবা, কোক তোয়না চিকপা অমদি নুংশা মঙালদা থোকপা য়াদবা, কোক লুম-লুম লাউরগা লৈবা, নাতোন অনীমক ফুনবা, নাতোন্দা শ্বর হোনবদা ৱাবা য়ারোমদসু হোনবা, নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, লোক তোয়না থুংবা, উফুল মরক্তা চৎপা য়াদবা লাইহৌ তোয়না হৌবা, হে অমদি অঙীংবা পোৎ চাবা য়াদবা চারগনা সাইনস নাবা হেনবা, ঙকশম মরী নাবা, মীৎ মরী অসিসু চিকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **T. Premkumar Singh**
Yaiskul

HL-B/7498/10


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।